# শারৈ (এপিলেপসি) লায়নাগী মরমদা খঙজিনবা য়াবা ৱাফম খরা



— ডা. সোরাম মনিকান্ত —
সিনিয়র কন্সলটেন্ট সাইকিয়াত্রিষ্ট
dr.smanikanta@gmail.com

শারৈ (এপিলেপসি) মীওইবা ফূরুপ্পা লৈরকঙৈদগী লোয়নদুনা লাক্লবা লায়না ন্যুরোলোজিকেল দিসওর্দর অমনি। মসিগী লায়ওং অসি মশা মথন্তা খঙহৌদনা হৌরকই। মসি হৌবা নাইবা, মতম কুইনা নাগনবা লায়না মখল অমনি। পূন্সি চূপ্পা লোয়নবসু য়াই। মসিগী লায়ওং য়াম্মী। মসি খঙহৌদনা ব্রেনদা আবনোর্মেল ইলেক্ট্রিক আকটিভিটি থোকপদগী ওইরকপা থৌওংনি। মসিগী লায়ওং খরদি তরং চৎপা নৎত্রগা ব্লাঙ্ক চৎপা, জ্ঞান মাঙবা। অসিদসু নত্তনা য়াং-চিংবগী লায়ওং কয়াসু লোয়নবা য়াই। চমন্নবা (কনফিউজন), তরংদা য়েংদুনা লৈবা, চিন-লৈ শোকপা, চপ চপ শাইবা নৎত্রগা লমচৎতা অহোংবা লাকপা কয়াসু থেংনবা য়াই। খূৎশা জিং-জিং লাওবা, কোক ঙাওবা, মিৎতা মৈগী মৈঙাল উবা অসিনচিংবা কয়া লোয়নবসু য়াওই। শারৈগী মরু ওইবা লায়ওং অমদি সিজর হায়বসিনি। মসি খঙহৌদনা থিংবা ঙমদবা ব্রেনদা ইলেক্ট্রিকেল আকটিভিটি হেনগৎলকপদগী থোকপা থৌওং অমনি। অসিগুম্বা সিজরগী থৌওং অসি হঞ্জিন হঞ্জিন ২দগী হেন্না হৌবা থেংনরবদি শারৈ নারে হায়না লৌবা য়াই।

শারৈ নাবগী মরম কয়ামরুম লৈ। মরু ওইবা মরম খরদি ষ্ট্রোক তৌবা, ব্রেন ট্যুমর, ব্রেন ইনজুরি নৎত্রগা ইনফেক্সন খুদম ওইনা দেনিনজাইটিস, এনকেফালাইটিস, মমা পূক্নুংদা লৈরিঙৈদা ব্রেন অশোয়বা নৎত্রগা ব্রেন দেমাজ তৌখিবা, পারি-পুরিদগী লোয়নরকপা অসিনচিংবা পনবা য়াই। মরম অসিনা ঐখোয়না য়ারিবমখৈ কোক্তা অশোক-অপন য়াওদনবা হোৎনগদবনি। ঐখোয়গী খুন্নাইদা তোয়না পন্নবা ৱাফম অমদি য়ুহার হাবা মতমদা তুরবদি শারৈ তৌই হায়না থাজনৈ। য়ুহার হাবা মতমদা লৈবাক অসি নীকপা মরম্না চেকশিন্দ্রবদি তুনিংঙাই ওই। তুরবদি কোক শোকপা য়াই। কোক্তা শোকখিবা হায়বসি অফবা ওইদে। শারৈ নারকপা য়াই হায়দুনা চেকশিন ৱা ওইনা শীজিন্নবনি। শারৈ নারবা মীওইশিংবু য়াম্না হঙ্গোইনা লৌনরম্মী। মসিগী মরমদি শারৈ নাবগী লায়েং পথাপ খঙদবা অমদি লায়েংফম লৈতবা, মফম/মতম নাইদনা য়াং-চিংবা তৌবা অমসুং খুদোংথীবা, শিবা-নাবা থোকপা কয়া অসিনা লায়না অসিবু কি-তুক্কচনা লৌনরম্মী। ঐনা অঙাং লইরিঙৈদা থেংনখিবা থৌদোক অমা নীংশিংলকই। শারৈ নাবা মীওই অমা লৈরম্মী। মীয়াই চল্লে। মশা শোল্লি। ফজনা চৎপা ঙমদে। য়াং চিংবা মতমদা তুশিনবা, য়ৈশিনবা থৌদোক কয়া অদুনা শরূ-শয়াং শোকখিবদগী শোনবা ওইবা য়াই। হকচাংগী শরুক অয়াম্বা মৈনা চাকখিবগী দাগফম কয়ামরুম লৈ। ইমুং-মনুংনা ইন্থোকপীরে। মপাঙ্গল শোনবা, শুবা নোম্বা ঙমদবা মরম্না য়ূম য়ূমদা চঙদুনা চেঙ-চাক, ফিরোল নীদুনা হিংনবা হোৎনরম্মী। অসুম্না চাদ-থক্তনা, অরাম খৌরাংবা, চোকথবা, ৱাখল লৈতাদবা কয়া অদুনা চেঙ নিবা চৎপা মতমদা য়াং চিংবগী থৌদোক থোকপদগী খুদোংথীবা কয়া নংখি। মরম অসিনা মীওই অদু লাক্লবদি চেঙ নৎত্রগা অরৈবা খরা পীদুনা থুনা থাদোকখিনবা হোৎনৈ।

শারৈ নাবা মীওই অমনা য়াং চিংদুনা লৈবা মতমদা লায়ওং অদু ফননবনি হায়দুনা মনম নমথীবা পোৎশক খুদম ওইনা খোঙউপ, মোজা নমথীবা মনাতোন্দা থম্লগা মনম নমহনবসু য়াওই। মসিমক্তি অরানবা থৌওংনি। মসি তৌবীরোইদবনি। অসিগুম্বা থৌওং অসি করিগীদমক্তা চথুরিবনো হায়রবদি মসিগী মরম খরসু লৈতবা নত্তে। এপিলেপসি হায়বসি ন্যুরোলোজিকেল দিসওর্দর অমনি। ব্রেনগী মথৌ শোইরকপদগী ওইরকপা লায়ওং অদুবু সিজর হায়না খঙনৈ। মসিগা মান্নবা লায়ওং খরসু লৈ। মসিবু সিউদোসিজর হায়না খঙনৈ। মসিগী মরু ওইবা হৌরকফমদি ৱাখল নুংঙাইতবা, ষ্ট্রেস, মেন্টেল ত্রোমা পনবা য়াই। মসি নুপীমচাশিংদনা তোয়না থেংনবা য়াই। অসিগুম্বা সাইকোলোজিকেল সিজর তৌবা মীওইশিংদা নমথিবা নৎত্রগা খাঙবা ৱাবা অয়াকপা মনম নমহনবা মতমদা খাঙবা ঙমদবদগী খঙহৌদনা ৱাখল তারকপা থেংনৈ। অদুবু এপিলেপটিক সিজর নৎত্রগা সাইকোলোজিকেল সিজর ওইগেরা অসিগুম্বা থৌওং অসি তৌবিরোইদবনি। য়াং চিংবগী লায়ওং অসি থেংনরবদি মখোং-মখুৎ ফাজিন-পুনশিনবা তৌরোইদবনি। য়া চিকশিল্লি হায়দুনা য়ানুংদা অকনবা পোৎ স্পুন (Spoon) নচিংবা ইনশিন্নবা হোৎনরোইদবনি। মীওই অদু নাকল অমদা চেপ্পীগনি। অসুম্না তৌবসিনা য়ানুংদা লৈবা মহি-মনাই অদু থবোম্বীদা চংখিগদবদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি অমসুং শ্বর হোনবদা অপনবা ওইহন্দে। মথৌ তারবদি রুমালগুম্বা ফি মচেৎ অমদা খজাই অমসুং য়া অনীগী মরক্তা লৈবা মহি অদু কোৎথোকপীগনি। খোঙ্গ্রাও কোচি অমসুং পেটি কোমহনগনি। লিৎলিবা ফুরিৎ-ফিরোল তাখৎপীগনি। মনাক্তা লৈবা শোক-পনবা য়াবা পোৎশক চেকতুম, নুঙ লৈরবদি লৌথোকপীগনি। য়াং চিংবা লোইরবা মতুংদা তূম্বসু য়াওই নৎত্রগা তরং চৎপা, চেন চোংবা তৌবসু য়াই। শারৈগী য়াং চিংবদি য়াম্না কুইনা লৈতে। সেকেন্দ ৩০তগীনা মিনট ২ ফাওবা লৈবা য়াই। অদুবু সাইকোলোজিকেল সিজরদি কুইনা লৈগল্লি। অসিদসু নত্তনা ৱাখল নুংঙাইতবা থৌদোক কয়াগা লোয়নগল্লি।

মতাং অসিদা পনবা য়াবা ৱাফম অমনা ষ্টেটস এপিলেপটিকস (Status epilepticus) হায়বসিনি। মসিগী লায়ওং অসিদি মেদিকেল ইমর্জেন্সি অমনি। মতম চানা লায়েংহৌদ্রবদি অমদি চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌদ্রবদি য়াম্না খুদোং থীনীংঙাই ওই। ষ্টেটস এপিলেপটিকস হায়বসি করিবু খঙনবগে। শারৈ হৌবগী লায়ওং অসিনা মিনট ৫দগী হেন্না চথুরবদি নৎত্রগা শারৈগী এটেক অমগী মথংদা অমা অসুম চথুদুনা ৱাখল লাকপা ঙমদনা লৈরবদি মদুবু ষ্টেটস এপিলেপটিকস হায়না খঙনবা য়াই। অসুম্না মতম কুইনা য়াং চিংদুনা লৈবা মতমদা ব্রেনগী শরুক খরা দেমেজ তৌখিদুনা মতম চূপ্পগী ওইনা মথৌ তৌবা ঙমদবা অমসুং অশি-অনা থোকপা য়াই। শারৈ নাবা মীওই অমনা হীদাক চাং নাইনা চাদবা, ষ্ট্রোক তৌবা, ব্রেন ইনফেক্সন তৌবা, য়ু/দ্রগ কা হেন্না শীজিন্নবা, ব্লদ সুগর নেম্বা, লাইহৌ তৌবা, খোঙ হামথবা কয়া অসিনসু ষ্টেটস এপিলেপসিকস থোকহনবা য়াই। অসিগুম্বা লায়ওং অসি থেংনরবদি খুদক্তা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়েংবীগনি।

শারৈ নাবা মীওইশিংদা মপূং ফাবা লায়েং অমা পীবা ঙম্নবা মসিগী লায়েং পথাপ ঙাক্না চৎকদবনি। মতম চানা অখঙ অহৈগা তান্নবা, চ্যেক-অপ চৎপা কাউরোইদবনি। চাং নাইনা হীদাক চাবগা লোয়ননা হেল্থি লাইফ ষ্টাইল অমা লৈহনবা তাই। তূম্বা-চাবা চাং নাইনা মপূং ফানা তূম্নবা হোৎনবা, চরা হেন্দবা, লাইহৌ, ওবা-ফাইবা তৌরকপদা খুদক্তা লায়েংথোকপা, য়ু/দ্রগ শীজিন্নদবা, চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবা, য়াম্নমক মরু ওই। শারৈগী লায়েং চথুবদা চাং নাইনা অমদি মতম শাংনা হীদাক চাবা মথৌ তাই। অহানবগী ওইনা চহী ২ নৎত্রগা ৩ য়াং চিংবা নৎত্রগা শারৈগী লায়ওং হৌহন্দনবা হোৎনবা চংই। অসুম্না চহী ২/৩ শারৈ হৌহন্দবা হায়বসিদা চহী ২/৩ হীদাক চারবা মতুংদা হীদাক চাবা লেপ্পসু য়াওই। শারৈগী লায়ওং য়াম্না তোয়না হৌরম্বা অদু হীদাক চাবা হৌরবা মতুংদা তোয়না হৌদ্রে, ফরে হায়না খল্লি। থা ৪/৫গী মনুংদা অমুক হৌবদি করিসু কায়দে হায়না খনবসু য়াওই। কেস অসিনা শারৈগী লায়েং পথাপ মুন্না খঙমিন্নবগা লোয়ননা মপূং ফাবা লায়েং চথনবা হোৎনবীগনি।

ঐখোয়না খঙজিনগদবা অমদি শারৈ হায়বসি কুইনা শাংনা নাগনবা লায়েংবদা মতম চঙবা ওইবনা মখল মখা কয়াগী সাইকোলোজিকেল প্রোব্লেম লোয়নরকই। মরম অসিনা মেন্টেল প্রোব্লেমশিং অসি শারৈ লায়েংবগা লোয়ননা মতম চানা লায়েংনবা হোৎনবীগনি। শারৈ মতম কুইনা নাবা মতমদা ব্রেনগী মপাঙ্গল শোন্থহল্লি। কাউগনবা, লাইরিক লাইশু তম্বদা পূক্নিং চঙবা ৱাৎপা, হৈনীংদবা, মীয়াম্না লান্না উবীবা কয়া অসিনা হিংবগী ৱাহন্থোক হন্থরকপদা নত্তনা নোংমগী পূন্সি মহিংদা অকায়বা কয়া ওইরকই। কুইনা শাংনা হীদাক চানবা হোৎনবদা শেল-থুমগী অৱাবা মায়োক্নৈ। শারৈ নাবা মীওইশিং, মখোয়গী ইমুং মনুং মখল মখা কয়াগী মেন্টেল হেল্থ প্রোব্লেম কয়া নাবা থেংনৈ। খুদম ওইনা দিপ্রেশন, এঞ্জাইটি অমদি লমচৎতা অহোংবা লাকপা কয়া থেংনবা য়াই। মরম অসিনা শারৈ অমসুং ৱাখল লায়না অনীমক্কী ওইবা মপূং ফাবা লায়েং অমা পীনবা হোৎনবা চুমগনি। অসুম্না তৌবসিনা হিংবগী ৱাহন্থোক লৈবা পূন্সি অমা পীনবা হোৎনবদা চাউনা মতেং পাংবা ঙমগনি। ●

# শিন্মী নুপীশিংগী ঈহৌ শাগৎপদা ক্লারা জেটকিন

- সোতিনকুমার -

কুমজা১৮৫৭ কী মার্চ ৮ দা ন্যু য়োর্ক সহরদা লৈবা গার্মেন্ট ফেক্টরীদা থবক শুরিবী নুপী শিন্মীশিংনা মান্নবা হক (নুপা-নুপী) অমদি থবক শুবগী মতম নোংমদা পুং ৮ দা হন্থহন্নবা অকনবা ঈহৌ হৌরকখি। মতুং তারকপা কুনশুবা চহিচা হৌরকপা কুমজা ১৯০৭ ঙসিদগী চহী ১১৯গী মমাঙদা ন্যু য়োর্ক সিটিগী নুপী শিন্মীশিংনা খুৎশুমন হেনগৎনবা, নোংমগী থবক শুবগী মতম তেনশিন্নবা অমদি য়ুনিয়ন শেম্বা য়ানবগী হক পীননবা দেমোষ্ট্রেসন চৎখি। মখা তারকপদা কুমজা ১৯০৯দা ন্যু য়োর্ককী নুপী গার্মেন্ট ৱার্করশিংনা চয়োল ১৩গী ষ্ট্রাইক চথুখি। মদুবু 'দ রাইজিং ওফ দ ২০,০০০' হায়বদি নুপী শিন্মী ২০,০০০ না হৌরকপা ঈহৌ হায়না খঙনখি। অসিগুম্বা নুপী শিন্মীশিংগী ঈহৌশিং অসিনা তুংদা নুমীৎ অসিবু (মার্চ ৮) মখোয়না চথুখিবা ঈহৌ লোয়ননা মখোয়বু নমথদুনা থম্বীবদুগী পল লাম্থোক্তুনা অহেনবা শক্তিগীদমক থেংনখিবদুবু ইকায়খুম্নবা উৎতুনা নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লবগীদমক ৱাফম পুখৎনরকখি। হন্দক্কী কুমজা ২০২৬কী ইন্টর্নেসনেল ৱিমেন্স ডেগী থিমদি ''গিভ টু গেন'' হায়বসিনি।

মার্চ ৮ ইন্টর্নেশনল ৱিমেন্স দে, মালেমগী নুপী শিন্মীশিংগী নুমীৎ ওইনা থৌরম পাঙথোরকখিবসিগী মরমদা রেভালুস্নরি ওইবা ইতিহাস অমা লৈরি হায়বসি খঙনদবগুম তৌরি। অশেংবমক্তি মসি নুপী শিন্মীশিংনা লেপ্তুনা থেংনরকখিবগী ফলনি অদুগা মসি সোসিয়েলিজমগী ৱাখল্লোন চেনবা নুপীশিংনা শু-নোম্লিবা নুপীশিংবু য়াকায়হন্নবগীদমক থৌরম পাঙথোক্লবা লাউথোকখিবনি।

অমেরিকাগী নুপী শিন্মীশিংনা চথুখিবা ষ্ট্রাইক অমদি প্রোটেষ্টশিংবু ইকায়খুম্নদুনা কুমজা ১৯১০দা দেনমার্ককী কোনুং কোপেনহেগেনদা পাঙথোকখিবা নুপী শিন্মীশিংগী অনীরকশুবা ইন্টর্নেশনল কনফরেন্সতা জর্মনগী নুপী কম্যুনিষ্ট ক্লারা জেটকিননা মার্চ ৮ বু ''ইন্টর্নেশনল ৱিমেন্স দে'' হায়না থৌরম পাঙথোক্লবা ৱাফম পুখৎলকখি অমসুং ৱাফমদু য়ানখি। অমেরিকাগী নুপী শিন্মীশিংগী ঈহৌশিং অসিগা তুফাংননা মালেমগী অতৈ মফমশিংদসু নুপীশিংনা ভোট থাদবগী রাইট পীননবা অমদি নুপা নুপী মান্নবা হক ফংহন্নবা ঈহৌশিং চথুরকখি।

নুপীশিংবু নমথদুনা থম্বীবগী মায়োক্তনি মমিং লৈরবী অইবী, চোকথবা নাইদবী ওর্গনাইজর অমদি ৱাঙাঙলোই ক্লারা জেটকিননা পীখিবা পোলিটিকেল কন্ত্রিব্যুশননা সোসিয়েলিজমগীদমক লেপ্তুনা থেংনরুবগীদমক নাজিশিংনা জনুৱারী ১৯১৯ দা হাৎতোক্লগা বার্লিনগী কেনেল অমদা লংশেকখিবী মথৌনা মরিংজেল লৈরবী রোজা লুক্সেমবর্গ ক্লারা জেটকিনগা মশুং মমান্নবীনি। হন্দক্কী চহিসি মানা লৈখিদবগী ১০৭ রক শুবা কুমওননি। ঐখোয়না রোজা লুক্সেম্বর্গতা মতিক চাবা ইকায়খুম্নবা উৎফম থোকই।

ক্লারা জেটকিন জর্মনগী ষ্টুটগার্টতা লৈবা বুকবাইন্দরস য়ুনিয়নগী মেম্বর ওইবগা লোয়ননা মহাক ফিরোল তুবী অমদি তুরবা ফিরোলগী মপাল তাইশিনবীশিংগী য়ুনিয়ন্দসু মরু ওইবা থৌদাং লৌরম্মী। মখা তানা মানা নুপী শিন্মীশিংগী ট্রেদ য়ুনিয়নশিং শেমগৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌখি। কুমজা ১৯১৫ দা মহাক জর্মন কম্যুনিষ্ট পার্টিগী নেসনল এগজিক্যুটিভ মেম্বর খনখি।

মহাক্কী নৌরিঙৈ পোলিটিকেল খোঙচৎতা নুপীশিংবু নমথদুনা থম্বীবদগী মনিং তমহন্নবগীদমক অকনবা থবক পায়খৎখি। মহাক্না খঙখি মদুদি নুপী খুন্নাইবু নমথবীবা অমদি ওৎপী নৈবীবসি শেঞ্জাউ পায়বগী কাঙলোননি হায়বদু। মরম অদুনা নুপী শিন্মীশিংনা নিংখা তম্বা ফংবা হায়বসি মশাবু পল কয়াদগী লাম্থোক্লবা হোৎনরবতদা ওইথোক্কনি।

ইন্দষ্ট্রিশিং (শিনশঙশিং) পাকথোক চাউথোরকপগা লোয়ননা নুপীশিংসু শিনশঙশিংদা শিন্মী ওইনা থবক তৌবা হৌরকখি। কুমজা ১৮৯২ ফাওবদি মতমদুগী আইননা নুপী শিন্মীশিংনা ট্রেদ য়ুনিয়ন য়াওবা য়াহল্লমদে অমদি কুমজা ১৯০৮ ফাওবা পোলিটিকেল এক্টিভিটিদা নুপীশিংনা শরুক য়াবা আইনগী ওইনা অথিংবা লৈরম্মী।

নুপী শিন্মীশিংনা মখোয়দা মাঙহনখিবা মতমশিং কুপখৎপা ওইনা নুপাশিংদগী হেন্না খোঙজেল য়াংনা ট্রেদ য়ুনিয়নশিংদা য়াওনরকখি। খুদম অমতং পল্লবদা জর্মনিদা কুমজা ১৮৯২ দগী কুমজা ১৯১৩ ফাওবগী মনুংদা অপুনবা মেম্বর ২৩৭,০৯২ দগী ২,৫৭৩,৭১৮ ওইবগী মনুংদা নুপী মেম্বর ৪,৩৫৫ দগী ২৩০,৩৪৭ দা হেনগৎলক্তুনা অহানবদা চাদা ১.৮ ওইরম্বদগী চাদা ৮.১ দা হাইগৎলকখি। মসিনা ক্লারা জেটকিনদা হনবা লৈতনা নুপী শিন্মীশিংগী য়াইফনবা হোৎনখিবদুগী মমি তাই।

জেটকিননা খুন্নাইদা লৈরিবা থাক খুদিংমক্কী নুপীশিং শু-নোম্লিবা কাঙলুপ, শেঞ্জাও পায়বা, লাইরিক লাইশু হৈবা অদুগা খ্বাইদগী মতোল থংবদা লৈরিবা নুপী কাঙলুপ (অপর টেন থাওজন্দ হায়না খঙনবা) না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং নৈনদুনা য়েংখি। শেঞ্জাউ পায়বগী কাঙলুপতা চনবা নুপীনা মহাক্কী মরন মথুম মনিং তম্না কন্ট্রোল তৌবা ঙম্নবা মহাক্কী কাঙলুপকী নুপাগা শিংনবা তারকই। ময়ায় ওইবা কাংলুপকী নুপী লোয়ননা লাইরিক লাইশু হৈবীনা মায়োক্লবা সমস্যানা তোঙাল্লি। মখোয়গী ওইনদি মখোয়গী কাঙলুপকী নুপাশিংগা থবক্তা চঙবদা খুদোংচাবা মান্নবা ফংবনি। মখোয়গী দিমান্দদি মহৈ মশিং তম্বগী মান্নবা অধিকার লোয়ননা নুপানা চংবা য়াবা থবক খুদিংমক্তা মখোয়বুসু চঙহনবনি। জেটকিননা ময়েক শেংনা খঙখি মদুদি ময়ায় ওইবা কাঙলুপকী নুপীশিংগী দিমান্দদি শেল থুমগী নীংতম্বদগীসু হেন্দোক্তুনা স্পিরিচুয়েলগী মপুং ফাবা অদু ফংনবগী দিমান্দ ফাওবা কোনশিল্লি। অদুগা দিমান্দশিং অসি পীফম থোকই হায়বদু ময়ায় ওইবা কাঙলুপকী নুপীশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং পুখৎতুনা থেংনবদা ক্লারা জেটকিননা মতেং পাঙলবসু মাগী মরু ওইবা থৌদাংদি মতমদুগী মার্ক্সিষ্ট অমা ওইনা নুপী শিন্মীশিংগী ৱার্কিং কন্দিসন ফগৎহনবনি। জেটকিনগী মমান্নবী কেপিটেলিজমনা মরম ওইদুনা হেন্না হোংবা লেবর ফোর্স অমা থিরকপদা নুপী শিন্মীশিং অসি শিনশঙশিংদা থবক শুবা তারকখিবনি।

জেটকিননা কন্না থাজখিবসি নুপী শিন্মীশিংনা নুপা শিন্মীশিংগী থবক শুফমদা য়াওশিন্দুনা শিন্মী নুপা নুপী অনিমকপু ওৎলিবা কেপিটেলিষ্ট সিষ্টম অসি মুখৎপনি। মহাক্না মরু ওইবা ৱাফমসিমসু থমখি মদুদি নুপী শিন্মীশিংনা পোথোক পুথোকপদা শরুক য়াবা মরন্না নুপী খুন্নাইগীদমক নীংতম্বা পুরকপদা মখোয়গী থৌদাং য়াম্না মরু ওই হায়বা।

শিন্মীশিংগী রেভালুস্ননা কেপিটেলিষ্ট সিষ্টম্বু মুখৎপদা খুন্নাইদা হন্থবা থাক্তা থম্বীরিবা নুপীশিংগী মুক্তি ফংগনি হায়বসি জেটকিনগী থাজবনি। মরম অসিনা নুপীশিংদা মুক্তি ফংহনবা হায়বসি শিন্মী অমা ওইনা নুপী শিন্মীশিংগী অপুনবা শক্তিগী মখা পোল্লি। ক্লারা জেটকিননা মতমদুগী ঈ পাউ ফোঙলিবা পাউচেশিং অমদি ইথোক্লগা চাইথোকপা চেবাউশিংদা ইস্যু অসি ফোঙদোক্তুনা মীটিংনচিংবা শরুক য়াবা ঙমদবা নুপীশিংদা পাউজেল শন্দোক্লবা তকশিনখি। মহাক্না থমখিবা মরু ওইবা ৱাফমদি করন্না নুপীশিংবু ওর্গেনাইজ তৌদুনা মখোয়বু মপুং ফানা শরুক য়াহন্নবা হোৎনগদগে হায়বসিনি।

কুমজা ১৮৯৬তা নুপীশিংবু নমথবীবগী মায়োক্তা কাঙলুপকী পুনশিল্লবা রেভেলুস্নরি ষ্ট্রগল অমা মথৌ তাই হায়বগী মতাংদা ক্লারা জেটকিননা অসুন্না হায়খি– 'প্রোলেটেরিয়েটশিংনা মুক্তি ফংবা হায়বসি জাতি অমদি শিনফমগী খেন্নবা থমদনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্নদুনা থেংনরবতদা ওইথোক্কনি। অদুগা নুপা নুপীগী খেন্নবা থমদনা পুনশিন্নদুনা থেংনরবতদা মুক্তি ফংগনি। সোসিয়েলিজমগী ৱাখল্লোননা মান্নবা খুন্নাই অমা শাগৎনবা নীংখাতম্বগী ষ্ট্রগল চঙশিনবদা মশিং য়ামখ্রবা নুপী কাঙলুপসি য়াওহন্নবা হোৎনগদবনি।

হন্দক পাংথোক্কদৌরিবা ১১৬শুবা ইন্টর্নেশনল ৱিমেন্স দেদি ট্রেদ য়ুনিয়নশিং অমদি নুপী ওর্গনাইজেসনশিংগী নোংমখক্তগী থৌরমদু নত্তে। নুপী শিন্মীশিং শু-নোমদুনা পোথোক পুথোক্লিবা শিন্মী কাঙলুপনি লোয়ননা মখোয়গী ফংফম থোক্লবা বেসিক রাইটশিং নুপা নুপী খেন্নবা থমদনা ফংগদবনি হায়বগী ৱাখল্লোনদু মীয়ামদা খঙহনবদুনি।

সোসিয়েলিষ্ট নুপীশিংগী ঈহৌ অসি কার্ল মার্ক্সকী লাইফাওগুম্লবা ৱাহৈশিং 'ফিলোসোফরশিংনা মালেমসিবু তোঙান তোঙানবা মওংদা হন্দোকপা খক্তং তৌই, অদুবু তৌগদবদি মালেমসিদা অওনবা পুরকপনি' হায়বা অসিনা অচৌবা ইনোৎ অমা পীখি। মার্ক্সকী ৱাহৈশিং অসিনা নুপী শিন্মীশিংবু য়াকাইহনবগা লোয়ননা ইতিহাসকী লমায়দা সনাগী ময়েক্লা ইদুনা লৈহৌরগদবা চাউখ্রবা থৌদাং মদুদি নুপী শিন্মী কাঙলুপতা শিন্মীশিংবু মুক্তি ফংহন্নবগী চঙশিনবদা হনবা লৈতবা থৌনা পীরি। ●

# মচু তরেৎকী ফিরাল - ২৯

- হৈস্নাম শ্যাম মঙাং -

হায়রিবা রিলিজন অদুবু চৎতবা কনাগুম্বা লন্নাই মী নৎত্রগা মী কাঙলূপ অমগী মফমদা নৎত্রগা অতোপ্পা লৈবাক অমদা লান্দাবা/লানতাপা হায়বদু থোক্তনবগীদমক ইপা-ইপু ওইবশিং অদুনা 'মীতৈ-মৈতৈগী লৈনিংদি (লাইনিংদি) শন্দোকপা য়াদে, শন্দোক্নদে হায়বগা লোয়ননা শন্দোক্লুগনু, মী অতোপ্পদা চগৎ-চগৎ তৌরুগনু, মীগী মাংনবা তৌরুগনু, মীগী ফজবা ইনাই (ইনাৎ) ওইববু কল্লকপগা লোয়ননা মদুবু মাঙননবা হোৎনরুগনু হায়না হায়বীরম্বনি।

অমরোমদা হায়জবা তারগনা, ঐ ঐগী অনীংবা অপাম্বা অমদি ঐ ঐনা চৎলিবশিং অদুবু পাম্বৈ অমা তৌরগা (অদুগুম্বা পাম্বৈ অদুদি অফবা মখলগী পাম্বৈ হায়বদু কৈদৌঙৈদা ওইদে) অতোপ্পবু চৎনহনবা অদুনা মালেমদা লান থোক্লনবগী অচৌবা মরম অমা ওইরক্কনি হায়বসি মীতৈ-মৈতৈগী ইপা ইপুশিংনা মাঙজৌননা খঙলিবা অমদি খনখিবা ৱাখলনি। মরম অসিদগীনি হকচাং কয়াৎতগী (হনচাং কাংয়াইদগী) লৌবা য়ূম হায়বদি য়ূমশারোল নাইবা য়ূম লিংনবগা লোয়ননা য়ূম অদুগী সনথোং কাচিন (সনথোক কাংচিন) নাইনদুনা লৈনিংথৌ লৈলেংপী (লাইনিংথৌ-লাইরেম্বী) অনীগী ফংপান লাংনরমখিবা অদুদি - হায়রিবা অতোপ্পগী অনীংবা অপাম্বদা য়েৎচদবা, অতোপ্পদা কাইজদবা, অতোপ্পবু মীনুংশিগা লোয়ননা লৈমিন্নবা অসিনচিংবা মীওইপা হায়বদুগী থংওই (থম্মোয়) পানবা হায়বদু ওইননবগী ঈরাইবা (প্রেক্টিস) অদু পাঙথোকপা ঙমজনবগী নিংনফম অমা (ৱর্শিপিং সেন্টর) অমা হকচাং কয়াৎশিংবু মহুৎ শিন্না (রিপ্রজেন্টিং তৌদুনা) শাগৎলিবা য়ূম মশাদুদা লিংদুনা থমজবনি।

কোকনুংগী কাংচিন (কাচিন) অমদি হনচাং (হকচাং) মনুংদা য়াওরিবা থংওই (থম্মোয়) হায়রিবা অনী অসিনা মায়োক্নরিবা খোনগী মাইলোন হায়বদি ৱাখল্লোন অমদি মিংখনলোন ওইবশিংগী লমপী (লম্বী) অদুগী মরক্তা চেম্থোক চেনশিন শান্নরক্লিবা অদুগুম্বা খোনগী মাইলোন ওইববু (হায়বদি, ৱাখল্লোন অমদি মিংখনলোন ওইববু) হায়রিবা কাংচিন (কাচিন) অদুদা নপ্তুনা পাল্লিবা তাইপককী (তাইবংগী) মিৎনা উঙমদবা লৈ (খোনলৈ) অমদি থংওই (থম্মোয়) অনীনা শিন্ন-শিন্ননা ফংনদুনা (ফং) পাননবা নাইনা (পান) শিন লাংলকপগা লোয়ননা (লাং) হায়রিবা ৱাখল্লোন অমদি মিংখনলোন ওইবা তাইপক্কী মীৎনা উঙম্বা লৈ (তাইলৈ) অদুগী লৈমাইদা পাথোরকপা (পা) অদুবুনি 'ফংপান লাংপা' (ফম্বাল লাংবা) হায়না কৌনগদৌরিবসি।

য়ূমদুদা লৈরিবা মীওই অমমমগী কোকনুংগী কাংচিন্দা (কাচিন্দা) খোনলৈনা নিংলক্লিবা খোনগী মাইলোন (ৱাখল্লোন অমদি মিংখনলোন) অমদি থংওই (থম্মোয়) মাগী ঈনা কাংলিবা অনী অদুনা অমগা অমগা শমজিন্নবা য়ানা মরী লৈনরকপগা লোয়ননা হায়রিবা ৱাখল্লোন অমদি মিংখনলোন ওইববু তাইলৈগী লৈমাইদা য়েন্থরকপা অদুবু হায়বদি খোনলৈ (খোনগী মাইলোন্দা লৈরকপা), থংওই (খোনলৈগা থংনরকপা অওইবা খোনগী মাইলোন) অমদি তাইলৈ (হায়রিবা খোনগী মাইলোন অদুগা তাইননা লৈরকপা) হায়রিবা মখোয় অহুম অসিগী অমত্তা ওইবা অপূনবা মরী অদুবু হায়রিবা 'ফংপান লাংপা' অসিগী ৱাহন্থোক্না মহুৎ শিন্না খঙহল্লি। (রিপ্রজেন্ট তৌই)।

অদুম্না মতম অমগী ইমুং অমমমগী মী অমমম অদুগী থংওই, কোককী কাংচিন (কাচিন) অমদি তাইলৈ অহুম অসিনা অমগা অমগা চান্ননা লৈমিন্নবা ঙম্লকপনা মরম ওইদুনা হায়রিবা মতমদুগী ঈলৈপাক অদুগী য়ূমথোঙ খুদিংদা লৈনরমখিবা ইলৈচাশিং অদু অমত্তা ওইনা পূন্না হিংমিন্নবগী ৱাখল হায়বদি অপূনবা শক্তম্বু ঙাক শেনবগী ৱাখল লৈনরমখিবনি। অদুগুম্বা ইলৈচাশিং অদুনা মশা মশাগী য়ূমথোঙ অমমমবু ঙাক শেঞ্জনবগী তৌফম থোকপা মথৌ-মঁঙম ওইবশিংবু চপ চানা পাঙথোক্লম্বনা মরম ওইদুনা ইলৈচাশিং অদু ৱাখল চপ মান্নবা অমদি থংওই (থম্মোয়) শেংনা ইলৈপাক অসিবু ঙাক শেঞ্জরমখিবনি। অমমেদা, মতমদুগী ইলৈচা অমমমনা ইলৈপাক অসিবু নুংশিজবগী ঈ ওইবশিংনা ইলৈচা অমমমগী হকচাং কয়াৎ অমমমদা চেন্নরমখিবনি। হায়রিবা মতম অদুদি য়ূমথোঙ খুদিং হায়রিবা 'ফংপান লাংপা' হায়দুগা থায়নগা মরী লৈনবা লৈনিং লৈশোন অমদি য়ুংপান কাংলোন ওইবা অনীবু মথংশিৎনা নীংজ-শোঞ্জবা অমদি ঙাক্না চৎনরমখিবা মতমনি। ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্কীজ -১৩২গী ৱাহং**

১) "অহেনবা ঈ" হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

২) "হন্দোকপা হায়বসি লুখ্রবা কলা অমনি। ফজরবসু শীংথানবীদবা, থীরগনা মীচৈ তাবা থবক অমনি।"

ৱাহৈ পরেং অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী ৱামাঙ য়ানবদা ত্রান্সলেটরনা ফোঙদোকপনি। ত্রান্সলেটর অসি কনানো? মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৩) "নীংশিংবগী মমি" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং ইয়ু।

৪) "লেপ্লম্মী নিংথম উলেন খাঙনা
উনাশিং অমত্তা পান্দ্রবা মরূ কোক্লবা উপালশিং
শ্বরদি হোল্লি অশিবগুম তুমিন্না লেপ্লবসু
চিল্লোক্লরি পোম্বী চেক্লাশিংগা তুমিন তুমিন...।"

শৈরেং মতেক অসি 'য়েন্নীংথা' হায়বা শৈরেং অদুগী অহৌবা পরেংনি। শৈরেং অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবা কনানো?

৫) "লৈক্রক" হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৮, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।